## বেবি সুসিত্রা জুনিয়র গার্লস ফুটবোল লীগ ২০১৭

# ঈ এস য়ুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে, এস এস সীনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মিৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন দুনা নবেম্বর ১৪দগী ১৯ ফাওবা নুমিৎ ৬নি চূপ্পা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরকখিবা বেবি সুসিত্রা জুনিয়র গার্লস ফুটবোল লীগ ২০১৭কী চেম্পিয়ন ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা ওইখ্রে। অদুগা এস এস সী সেক্তানা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

বেবি সুসিত্রা জুনিয়র গার্লস ফুটবোল লীগ ২০১৭তা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা মেচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অদুগা এস এস সী সেক্তানা মেচ অনী শান্নবদা মেচ অনী শান্নবদা মেচ অমখক মায় পাল্লুগা রন্নর্স-অপ তাহৌখিবনি। কে এল ৱাই দি সী কোনুং মমাঙনা মেচ অনী শান্নবদা অনীমক মায়থীরগা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখি।

তোঙান তোঙানবা টিম অহুম্না শরুক য়ারগা চথরকখিবা বেবি সুসিত্রা জুনিয়র গার্লস ফুটবোল লীগ ২০১৭কী ফাইনেলদা ঙসি এস এস সী সেক্তা অমসুং ঈ এস য়ু ৱাংখৈ শান্নখি। অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নদনা ০-০দা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরল্লুবা মতুংদা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা মেচ অদু লাকশিল্লগা শান্নরকখি। মেচকী ৫৫শুবা মিনিটতা ঈ এস য়ু ৱাংখৈগী জর্সি নম্বর ৯ প্রোমিলানা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনখি। গোল অদুনা মেচ অদু ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং হেক থংনবা মিনিট মেচকী ৫৬শুবা মিনিটতা অমুক ঈ এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১৭ গ্রেসিনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিল্লকখি। মিনিট ২গী মনুংদা গোল অনী থংনা থংননা ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী চনশিল্লকখিবা অদুদা এস এস সী সেক্তাগী শান্নরোয়শিং তৌফম খঙখিদে। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এস এস সী সেক্তাগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদুদা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা এস এস সী সেক্তাবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীরল্লগা বেবি সুসিত্রা জুনিয়র গার্লস ফুটবোল লীগ ২০১৭কী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

বেবি সুসিত্রা জুনিয়র গার্লস ফুটবোল লীগ ২০১৭ অসি লোইশিনবগী থৌরমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল জোটিরমোই রোয়, ইম্ফাল ইষ্টকী মেচ কম্মিস্নর এস জেমস অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ সুলঞ্জয় অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল বলরাজনা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমশিংদা দাইজ মেম্বরশিংনা ট্রোফি য়াওনা মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬০

১. প্রোফেসর গাঙমুমৈ কামৈনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা 'অহানবা ইম্ফাল গোল্ডন মাইল' ইম্ফালগী পোলোগ্রাউন্দদা করম্বা চহীদা, করি থাদা পাঙথোকখিবগে?

২. লু-নাউ করম্বা মশান্নগা মরী লৈনবগে?

৩. শগোল কাংজৈ শান্নবদা তোংবা শগোল নাত্রং সোঙঙৌ করম্বা মচুগী শগোল ওইগনি?

৪. মণিপুর নেসনল কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ্তা অহানবা ওইনা শরুক য়ারুবদা মণিপুরগী কেপ্তেন ওইখিবা নিপা অদুগী মমিং পীয়ু।

৫. পীরিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়য়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/ থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নেহা অমসুং অনুপমা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

গুৱাহাটি, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) : ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা গুৱাহাটিগী নবিনচন্দ্র বোদ্রোলোই ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা এ আই বি এ ৱর্ল্ড ৱিমেন'স য়ুথ এন্দ জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা ইন্দিয়াগী নেহা য়াদব অমসুং অনুপমা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী মখোয় মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাল্লদুনা নেহা য়াদব অমসুং অনুপমা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। নেহা য়াদবনা কেজি ৮১ মথক্কী কেটাগোরিদা অমসুং অনুপমানা কেজি ৮১গী কেটাগোরিদা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর জোতি অমসুং নিতুসু মখোয় মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেচশিং বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। কেজি ৫১গী কেটাগোরিদনা য়ু এসকী হেবেন গার্সিয়া অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখ্রে। কেজি ৮১গী মথক্তনা টর্কিগী সহিনশ্বেদা সেমী ফাইনেল য়ৌখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী পোষ্ট দ্রো মতুংদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এ আই বি এগী ভাইস প্রসিদেন্টমাক্টনানা হায়খি, লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ওইরিবা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা বোক্সর মেরি কোম্না ৱিমেন'স বোক্সিংবু অৱাংবা থাক্ত পুখৎলকখ্রবা মতুংদা ঙসিগী জেনরেসন অসি নহা ওইরিবা নুপীশিংগী মঙাল থোকপা জেনরেসন ওইহন্দুনা ৱিমেন বোক্সিংবু থাক ৱাংখৎহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

# শিন্তাক পুরেল আর কে সনাহলগী ১১৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : হুইয়েন লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী য়ূম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা থাঙ-তা শঙলেন্দা লাইওইখ্রবা শিন্তাক পুরেল আর কে সনাহলগী ১১৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম জয়কুমার, থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ এদভাইজর ওইরিবা পদ্মশ্রী আর কে অচৌবা, নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী জেনরেল সেক্রেটরি খুরাইজম লোকেন অমসুং খা মণিপুর থাঙ-তা শিন্দম একাদেমি ৱাবগাইগী শিন্তাক পুরেল য়ূম্নাম অমুমচানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

হায়দ্রবাদতা পাঙথোকখিবা ২৩শুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৭, য়ু পিগী আগ্রাদা পাঙথোকখিবা ৬শুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৭ অমদি সাউথ কোরিয়াগী চুংজুদা পাঙথোকখিবা ৩শুবা ইন্টরনেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী থাঙ-তা শান্নরোয়শিংসু থৌরমদুদা তরাম্না ওকখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম জয়কুমারনা থাঙ-তা অসি খুন্নাই অসিগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ। মরম অসিনা থাঙ-তা হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙন্বা মতেং পাঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# নমামি বরাক ফেষ্টিবেলগী শরুক অমা ওইনা সিলচরদা পোলো এগজিবিসন মেচ শান্নখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : অসামগী সিলচরদা ঙরাংদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা নমামি বরাক ফেষ্টিবেলগী শরুক অমা ওইনা ঙসি সিলচরগী গান্ধি মেলা গ্রাউন্দদা নুংথিল পুং ৩ তাবদগী ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এ এম পি এ) গী শান্নরোয়শিংনা পোলো এগজিবিসন মেচ অমা শান্নখ্রে।

এ এম পি এগী শান্নরোয়শিং অদুনা বরাক অমদি সঙাই হায়না টিম অনী থোক্না খাইদোক্লুগা এগজিবিসন মেচ অদু শান্নখিবনি। এগজিবিসন মেচ অদুগী অরোইবা চক্র ফাওবদা লৈনখিবা পাঞ্জলশিং য়েংনবদা বরাক টিম্না সঙাই টিম্বু পাঞ্জল ৬-৪দা মায়থীবা পীখি।

এগজিবিসন মেচ অসি লোইরবা তুংদা পাউমীশিংগা উনবদা ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কোন্সম সরতচন্দ্রনা হায়খি, সিলচর হায়বসি মোর্দন পোলোগী গেটৱেনি। সিলচরদা অহানবা ওইনা বৃটিশশিংনা কুমজা ১৮৫৯দা কছার কাংজৈ ক্লব হায়না মিংথোন্দুনা অহানবা ওইনা মালেমগী থাক্তা পোলো ক্লব লীংখৎখিবনি।

মণিপুরীশিংগী ইপানাৎ ইপুনাৎকী মশান্না অমা ওইরিবা পোলো অসি সিলচরদা অহানবা ওইনা পোলো মশান্নগী ওইবা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা লৈবা ক্লব সিলচরদা লীংখৎখিবা অসিনা মরম ওইরগা ফেষ্টিবেল অসিগী শরুক অমা ওইনা এগজিবিসন মেচ অসি উৎপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

## ট্রাইএল সেলেক্সন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : অমেচর কবাদ্দি ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মিৎয়েং মখাদা ওদিষা কবাদ্দি এসোসিএসন্না শিন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১২দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৪শুবা জুনিয়র নেসনল কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ (বোইজ এন্দ গার্লস) ২০১৭তা শরুক য়াগদবা মণিপুর কবাদ্দি টিমগী শান্নরোয়শিং খন্নবগীদমক ট্রাইএল কম সেলেক্সন অমা লাক্লিবা নবেম্বর ১৯ অমসুং ২০দা উরিপোক বাসচপতি লৈকায়দা লৈবা য়ু সী এ এল গ্রাউন্দদা অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদগী পাঙথোক্লগনি।

মরম অসিনা মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসন্দা এফিলিএট তৌবা য়ুনিট, ক্লব, দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্কী জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস শান্নরোয়শিংনা ট্রাইএল য়াওবা লাকপা মতমদা মশাগী অধার কার্দ লোয়নরক্কদবনি। মণিপুর কবাদ্দি টিমগী শাননরোয়শিং খন্নবা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রাইএল সেলেক্সন অসিদা মশাগী চহী ২০গী মখাদা লৈবা কুমজা ১৯৯৭কী মতুংদা পোকপা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। ট্রাইএল কম সেলেক্সন টেষ্ট অসিদা শরুক য়াবা লাকপা এসোসিএসন অসিদা এফিলিএট তৌবা য়ুনিট, ক্লব, দিপার্টমেন্টশিংগী শান্নরোয়শিংনা এসোসিএসন অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি টি ঐচ মোটিলালদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# অমেচর মিষ্টর ওলেম্পিয়াদা শরুক য়ারুবা বোদি বিল্ডরশিং তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : মুম্বাইদা হৌখিবা ওক্টোবর ১৩দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা অমেচর মিষ্টর ওলেম্পিয়া ২০১৭তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ন টিমদা য়াওখিবা মণিপুরদগী বোদি বিল্ডরশিং তরাম্না ওকখ্রে।

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন্না শিল্লগা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসনগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা অমেচর মিষ্টর ওলেম্পিয়া ২০১৭তা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফ্যেরস অমসুং আর্টস এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার, ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম দেবেন, সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গো অমসুং ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসনগী ফাউন্দর জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং এদভাইজর টি নবকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা তরাম্না ওকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি অমেচর মিষ্টর ওলেম্পিয়া ২০১৭তা শরুক য়াদুনা কেজি ৮০গী কেটাগোরিদা মিষ্টর ওলেম্পিয়াগী টাইটল লৌরকখ্রবা মোইরাংথেম রোবি মীতৈ, কেটাগোরি অসিমক্তা ৫শুবা পোজিসন তারল্লবা ক্ষেত্রিময়ুম মরাদোনা, কেজি ১০০গী কেটাগোরিদা শরুক য়াখিবা এম দি অৱাজ খান, নুপীগী ১৬০ হাইট কেটাগোরিদা ৫শুবা পোজিসন তারকখিবা থাংজম লৈমা চনু অমসুং এম মনাওবীনি।

# ওলৱেজ ফ্রেন্দ এফ সীনা অহানবা সন্দে কপ ২০১৭কী চেম্পিয়ন ওইখ্রে, অরুন ইন্টরপ্রাইজেসনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : সন্দে ফুটবোল ক্লবনা শিল্লগা নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী তোঙান তোঙানবা গ্রাউন্দশিংদা চথুদুনা লাকখিবা অহানবা সন্দে কপ ২০১৭কী চেম্পিয়ন ওলৱেজ ফ্রেন্দ এফ সীনা ওইখ্রে। অদুগা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

তাওবুংখোক্তা লৈবা টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি (তবসফা) গী গ্রাউন্দদা ঙসি অহানবা সন্দে কপ ২০১৭কী ফাইনেল মেচ অদু ওলৱেজ ফ্রেন্দস এফ সীগা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচকী ১৪শুবা মিনিটতা ওলৱেজ ফ্রেন্দস এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ নেপোলিয়ন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ২০শুবা মিনিটতা অমুক ওলৱেজ ফ্রেন্দগী জানেন্দরনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। গোল অনী ওলৱেজ ফ্রেন্দসনা মাঙজিল থাদুনা চৎখিবা অদুদা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লুবা কন্না শান্নরকখি। মেচকী ২৪শুবা মিটিতা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী জর্সি নম্বর ২৩ জিমনা গোল অমা হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-২দা লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসনা ওলৱেজ ফ্রেন্দকী অনীশুবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।



অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৩৬শুবা মিটিতা ওলৱেজ ফ্রেন্দগী জর্সি নম্বর ১৮ রোমেসনা মহাক্কী টমগী অহুমশুবা গোল চনখি। অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী মায়কৈদগীসু গোল হন্দোক্লুবা কন্না শান্নরকখি। ওলৱেজ ফ্রেন্দসনা মাঙজিল থারগা চৎলিবা গোল অনী অদু অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী জর্সি নম্বর ৯ অজিৎনা মেচকী ৪২শুবা অমসুং ৪৯শুবা মিনিটতা গোল অনী চন্দুনা হন্দোকখি। মেচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা ওলৱেজ ফ্রেন্দস অমসুং অরুন ইন্টরপ্রাইজেস গোল ৩-৩ চন্নদুনা লৈবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটিদা ওলৱেজ ফ্রেন্দসনা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসপু ৫-৩দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

পেনালটিকাওনবা অদুদা ওলৱেজ ফ্রেন্দসকী মায়কৈদগী নরেন্দ্র, উত্তম, জনেন্দ্রা, সেমসন অমসুং নেপোলিয়ন্না গোল মঙা চনখিবনি। অদুগা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী গোলশিং অদুনা এম দি চাউবা, অজিৎ অমসুং এস বিরজিৎনা চনখিবনি।

অহানবা সন্দে কপ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ষ্টেট প্লানিং বোর্দকী চ্যেরমেন এস রাজেন, খন্সারি সুগর ফেক্টরি এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর মাইমোম ইরাবত অমসুং জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী গুরু থোকচোম সুধিরনা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগী দাইজ মেম্বরশিংনা ৱিন্নর অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# ভিক্টর এক্সেলসনবু মায়থীবা পীরল্লগা চেন লোংনা চাইনা ওপনগী টাইটল লৌখ্রে

ফুঝৌ, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি) : দেনমার্ককী ভিক্টর এক্সেলসনবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীরল্লগা য়ূম্বু ওইরিবা চাইনাগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন চেন লোংনা চাইনা ওপন ২০১৭কী টাইটল লৌখ্রে। চেন লোংনা চাইনা ওপনগী টাইটল লৌবা অসি হন্দক্কী অসিগা মরিরকশুবনি।

চাইনা ওপন ২০১৭কী ফাইনেলদা য়ূম্বু ওইরিবা চাইনাগী মমিং লৈরবা সট্লর অমা ওইরিবা ৬শুবা সীদতা লৈরিবা চেন লোংগা দেনমার্ককী ভিক্টর এক্সেলসনগা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা সট্লর অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা সেটতা চেন লোংনা মায় পাল্লুবা মতুং অনীশুবা সেটতা অমুক ভিক্তর এক্সেলসন্না মায় পাকখি। ফাইনেল সেটতা চেন লোংনা অমুক হন্না মায় পাকপা ঙমখি। ফাইনেল মেচ অদুদা চেন লোংনা ভিক্তর এক্সেলসনবু ২১-১৬, ১৪-২১, ২১-১৩দা মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ২৩খক্তা ঙাইরিবা ভিক্তর এক্সেলসনগীদি চহী অসি খ্বাইদগী মায় পাকপা চহী অমা ওইখ্রে। চহী অসিদা মহাক্না ৱর্ল্ড টাইটল লৌখিবদা নত্তনা মেন'স সিঙ্গলসকী গেমদা মহাক্না লিদিং ফিগর ওইনা লৈবা ঙমখ্রে। ভিক্টর এক্সেলসনগা চেন লোংগা ঙসি ফাওবদা মেচ ৯ লক তোঙান তোঙানবা চেম্পিয়ন-শিপশিংদা শান্নখ্রে। মেচ ৯ অসিগী মনুংদা মেচ ৮ দি মশাগী চহী ২৮ শুবা চেন লোংনা মায় পাকখি।




হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা চাইনা ওপনগী ফাইনেলদা দেনমার্ককী ভিক্টর এক্সেলসন্না মায়থীখিবা অসিনা মঙোন দগী হেন্না শোথবা এক্সপরিএন্স ওইরিবা চেনগী মায়োক্তা মহাক্কী অশোনবা পার্ফোমেন্স অদু অমুক্কা হন্না উৎখ্রে। চেন লোংনা চাইনা ওপনগী টাইটল অসি কুমজা ২০১৩গী মতুংদা হন্দক অমুক লৌখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতনা য়ূম্বু ওইরিবা চাইনাগী গাৱো ফাংজিবু মায়থীবা পীরল্লগা জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা চাইনা ওপনগী টাইটল লৌখ্রে। টাইট অসি অকানে য়ামাগুচিনা চহী অসিদা লৌখিবা মহাক্কী অহানবা সুপর সেরিজ টাইটলনি। ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা মশাগী চহী ২০খক্তা ঙাইরিবা ৫শুবা সীদতা লৈরিবা য়ামাগুচিনা মশাগী চহী ১৯খক্তা ঙাইরিবা গাৱো ফাংজিবু ২১-১৩, ২১-১৫দা মায়থীবা পীরগা টাইটল অসি লৌখিবনি।



HL-B/4213/15/11-14/12